এডিটোরিয়েল

কথোক্লবা লুচিংবশিং পুথোকপা

মণিপুরদা মতম শাংনা নিংথৌগী লৈঙাক লৈরক্লবা মতুং অমসুং ষ্টেট অসিনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তা পুনশিনখিদ্রিবা চহি কয়াগী মতম অদুদা জননেতা হিজম ইরাবতনা নিংথৌপানবা লৈঙাক অসিদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈহন্নবা মীয়ামগা লোইননা তোঙান–তোঙানবা খোংজং কয়া অমা চংশিনখি। মতমদুদা লৈরম্বা মীওই কয়া অমা নিংথৌগী মখাদা লৈবা অঙম্ব শিংগী অপাম্বা মতুং ইন্না অমদি নিংথৌগী শক্তী অদুনা মরম ওইরগা য়ান্না মনিং মখা তম্বা ঙাক্তা ওইবনা লাইরা অনংশিং অমদি মীয়ামগী খন্দবা লৈঙাক অমগী প্রজা অমা হায়বদু ওইনা লৈরকখি। নিংথৌগী অপাম্বা মতুং ইন্না লৈঙাক অসিগী ইনকম খোন্নবগী দমক হায়বদি খাজনা হেন্না খোন্নবগীদমক মখল মখা কয়াগী টেক্স কয়া অমা মীয়ামদা ইমপোজ তৌদুনা মতমদুগী ব্রহ্মসভানা নিংথৌগীদমক টেক্স কয়া অমা খোমখি। হায়রিবা লৌমী–শিনমীনা লাইরবগী থাক অসিগী পনখৈ মখাদা থল্লগা অঙম–অথৌশিংনা হেন্না চাউখৎলকপা অমসুং মীয়ামগী মরক্তা হিংবগী থাক অসি য়ান্না চাউনা খেৎনরকপদগী গেপ অদু মেনশিন্নবা মীয়ামগী খোংজং অমা চংশিনবা মথৌ তারে হায়না মীয়ান্না লৌনরকপা মতমদা মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইনা মশাগী ওইজবা পূম্বা থাদোক্তুনা চোংথোরকখিবা লুচিংবা অসি জননেতা হায়না খংনরিবা হিজম ইরাবত খক্তনি। মতমদুগী মণিপুর নিংথৌগী মচানুপী থাজদুনা পীরিবা মশানা লাইরিক–লাইশু হৈরবা অমসুং ইন্দিয়াগী মতম অদুগী ইন্দিপেন্দেন্সকী খোংজং কয়া অমগী এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা হিজম ইরাবতনা মশাগী নুংঙাইবা কয়া লৈগদবদু থাদোক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক অচুম্বা লম্বী অমদা লমজিংনবা হোৎনরকখি। মদুগীদমক মঙোন্দা মণিপুরগী নিংথৌনা পীবা ফম পূম্বা থাদোক্তুনা নিংথৌ অমদি মতমদুগী বৃটিস ইন্দিয়ানা হায়বা পূম্বা তুংওইনরগা পামদবা অমদি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা নিংথৌ লৈঙাক্কী মথোং হুকতবা থৌওং কয়া অদুবু শিংনবা ওইনা নিংথৌনা পীবা ফম অদু থাদোক্লগা নৈহৎপীরবা মীয়ামগী দমক লমজিং মৈরা অমা ওইনা থোক্লককখিবা জননেতা হিজম ইরাবতনি। ১৮৩৯ গী মতমদা মণিপুর ষ্টেট দরবারবু মহুৎশিনবা ওইনা থল্লগা মণিপুরগী নিংথৌ অমসুং মতমদুদা লাকখিবা শেনজাউ পায়বা মপানগী মীওই খরগা লৌতুনদুনা চেং তকক্লবা মীলশিং পুশিল্লকতুনা মণিপুরগী পোত্থোক ফৌ অসি চেং ওইনা তকথোক্লগা মপান ষ্টেটশিংদা থাদোকখিবগী অচৌবা লৌতুনবা অমা লৈখি। মতমদুদা থৌনাফবী মণিপুরী নুপী লুচিংবী কয়া চোংথোরক্তুনা তোঙান–তোঙানবা খোংজং কয়া চংশিল্লকখি অমসুং মখোয়গী লমজিং মৈরাদি ইরাবতনা ওইখি। মীপূম খুদিংমক্কা মওং খুদিংমক্তা তিন্নবা য়াবা মীওই অমা ওইনা লমদমসিদা কম্মুনেলিজমগী খ্বাইদগী চাউবা ই–পাউ ফাউনদুনা মথৌ তৌরিবা মীওইশিংগী মরক্তগী শেনখাই–থুমখাই কয়া তৌদুনা নিংথৌগী মী অমসুং মীয়ামগী মী হায়না খাইদোকপগী চৎনবী অমা লৈবনা অমদি নিংথৌগী শক্তী অদুনা কনখিবনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী চিন মেনখ্রবা মতম অদুদা ইরাবতনা মীয়ামগীদমক চোংথোরক্তুনা লৌখিবা ফিরেপ কয়া অদু মতমদুগী মণিপুরগী নিংথৌনা নংত্রগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়ান্না কন্না য়ানিংদবদগী অচুম্বনি হায়না লেপ্পিবা মীওই কয়া অমা দন্দি পীখ্রবা ফাউবদা হনবা লৈতনা মণিপুর অমসুং নোর্থ –ইষ্ট মীয়ামগী লুচিংবা ওইনা সি পি আই না অহানবা ওইনা জনানেতা বু শকখংখি।

অদুগুম্বা মীওই অদুগী পুন্সিৱারি অমসুং মহাক্না মীয়ামগীদমক কথোকখিবা কয়া অদু ঙসিগী লুচিংবশিংনা নৈনবা তারগদি মখোয়দগী হেনবা মীওই অমনা মতমদুগী মীয়ামবু মথন্তনা লমজিংবা ঙমখিবদু করিদগীনো হায়বা খংবা ঙমগনি। অদুগুম্বা মতম অমগী নিংথৌগী মায়োক্তা লৈখিবা মীশক অমনা ফংলমগদবা চৈথেং কয়াদু ঙসি দিমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগী লৈঙাক মনূংদা লৈরবা ষ্টেটসিগী লুচিংবশিংনা নিংশিংফম থোকই। অদুগুম্বা কথোক্লবা লুচিংবা অমগী মফমদা ইকাইখুন্নবা অমা চহি খুদিংগী অমুক্তং উৎপা মতমদা ফাউবা ষ্টেট লৈঙাক্লা অমদি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা অচৌবা ফীরেপ অমা লৌদুনা ঙসিগী লৈরিবা মীরোল অসিনা তূংগী মীরোলগীদমক অমদি অফবা খুনাই অমসুং খেন্নবা লৈত্রবা মীওই কাংলূপশিংনা খূল্লিংবা লৈঙাক অমা ওইহন্নবা ৱাশক অমা লৌবগী মথৌ তারব্রা খল্লি। মীয়ামনসু কথোক্লবা লুচিংবা পুথোকপদা মায় ওনশিলসি।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

কংলা পাৎ পরিংদা নাইট প্লাজা

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

মীওইবা ঐখোয়না অয়ুক নুংথিলদা শুফম নোমফম থোকপা শুরু নোন্নুবদা অৱাবা কয়া মায়য়োক্কখিবা অমদি লায়র অনংগী প্রোব্লেম কয়াদগী পুক্রিংগী অমদি ৱাখলগী অৱাবা কয়া মায়োক্লখিবা অদু খরদা ওইরবসু কাওথোক্তুনা নুংঙাইবা ৱাখল্লোমদা চিংশিন্নবনি হায়দুনা মণিপুরগী মাহুদ অমসুং তাউন প্লান্নিং মিনিটের থৌনাওজম স্যামকুমারনা চীফ মিনিষ্টর গী লিচিং মখাদা লাক্লিবা 2nd October 2017 দগী চয়োল অমদা থাংজা অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎত্তা, নুমিদাং পুং তরেত্তগী তরাফাওবদা কংলা পাৎ পরিংদা নাইত প্লাজা হাংদোক্তুনা মীওইবগী অৱাবা কয়াবু খরদা ওইরবসু কাওথোক্তুনা পুক্রিং শান্তি লৈনবগী অমসুং পুন্সিরোল ওইনবনি হায়দুনা অনৌবা ৱাখল্লোদা অসা পুথোকপিরকপা ইশাগী মায়েকৈদগী নুংঙাইবা পোঙদোকচবগা লোয়ননা মিণিষ্টরবু থাগৎচরি।

তৌবতবু হায়রিবা নাইত প্লাজা অসিদা লাকপা মীওইশিং হায়বদি নুপী অঙাংশিংদা খুদোংথিবা থোক্তনবা ইশাগী মত খর থমজরি। মদুদি নাইট প্লাজা অসি অকক্লবা নুমিৎ অমদি মফম ওইবনিনা মীনা কৃক –কৃক ইন্নবনি। মদুনা মরম ওইরগা অঙাং মচা মচা অমসুং মশা মউ শোনবী নুপী অঙাংশিংদা য়ান্না অৱাবা অমা ওইগনি। নাইত প্লাজা অসিদা ফুদা ষ্টোলদগী চান–থক্লবা হোৎনবদা কয়া অমা ঈন্নরক্কনি। ঈন্নরবনিনা অশোক অপন য়াওনরক্কনি অমসুং অমগা অমগা শাওনরক্কনি। অমরোমদা মীনা মতে… য়ান্নক্ককদি অঙাং অমসুং পোৎ মাঙবা য়োয়দনা য়াওরক্কনি। অমারোমদা ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈরিবা ভেন্দরদগী হাইদোরকপা কয়া য়াওরক্কনি, মরমশিং অসি লৈবনা পূন্নমক পু মতেং পাংনবা শক্তাক উৎপা ভলনটিয়ার মরাং কায়হনবা দরকার লৈ। কংলা পাৎকী ঈশিংদসু হি হোন্দুনা শান্নবা য়াগনি হায়বীবসু লৈ। মদুদা হি অদুগী পাকপা চাউবগী মতুং ইন্না হি অমনা পুগদবা মী মশিং লেপ্পীয়ু অদুগা হি ফজনা হোনবা হৈবা মীওই ওইগদবনি। অঙাং–নুবীগা লোয়ননা ফেমিলি তোংলকপা মতমদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা টিকেৎ ইশু সিষ্টেমদা চেকশিনবা দরকার ওইগনি। নত্তবদি ঐসু ঐসু হায়না তোন্নবদা অৱাবা অমদি খুদোংথিবা থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অশেয় অঙাম থোক্তুনা হি লুপ্লবদি অশি অনা য়াওরকপা য়াই।

অমরোমদা অমুক, হায়রিবা নাইত প্লাজা অসি মণিপুরদা অহানবা হৌদোকপনিনা অরাপ্পদা লৈবা মীওইশিংসু য়েংনিংবগী ইখৌলাংগনি অদুনা মখোয়দা খুদোং চানবগীদমক্তা থম্বীরিবা পুঙ তরেত্তগী হৌবা হায়বীবদু পুঙ তরুক্তগী হৌহঞ্জনিংই। হৌজিক্তী পুঙ তরুক্তগী মম্বা হৌরক্লে মৈগী নিংথিজবা উহনবা য়ারগনি খঞ্জে। অদুগা মণিপুরদা চেল্লিবা কাশিং অসি তাইত সাবিস লৈতবনিনা অথাপ্পদা লৈবা মীওইশিং (অঙাং–নুমী য়াওনা) নাইত প্লাজা য়েংবা ফংজনবা লো ফ্লোর বস শিজিন্নবীদুনা চহি অশুক্কী মথক্তগী নোরমেন ভরা লৌরগা খুদিংমক্তা খুদোংচাবা পীহনিংই। অমুক্কসু ইশাগী মত অমা পীজরি মদুদি হায়রিবা নাইত প্লাজা অসি মরিপুরদা লৈরিবা মীশিং অসি ৯০% দি নুংথিল পুং মরি মঙাগী মতুংদগীদি থবক শুদবা ঙাক্তনি। হায়রিবা নাইত প্লাজা অসি পাঙথোকপনা তাউন অসি খরমখৈদি চাওখৎপা মানবা য়াই অদুবু মীওইবা ঐখোয়সি চাওখবনিনা হায়বদি অমগী অশোয়বা অমনা ঙাকপিদ্রি, অমগা অমগা মীনুংশি পীনবা ৱাংল, মাগী মাগী ৱাখল্লোন্দা মানা করি হেল্লি ঐনা করি ৱাংল, মীনা অফবা তৌরকপদা কল্লকপা মীনা য়াল্লি। মরম অদুনা মীওইবা ঐখোয়না অফবা ৱাখল খক্তবু খনবা ঙমদ্রিবা ফাওবদি চাওখৎপা মান্নবা হোৎনবদা খরদি লুনা থোকখিনি। অরোইবদা অপিল তৌজরি মদুদি অমগা অমগা কো–ওপরেসন পীনদুনা নাইত প্লাজা মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নসি।

অদোমগী,
এলাংবম মনিহার সিংহ
থাংমৈবন্দ

ইরাবত অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুং

অয়েকপম কমলা

ইরাবতকী মরমদদি অখণ্ড–অহৈ কয়ানা, লাইরিক ওইনা ফোংদোকপদা নত্তনা, হৌজিকসু মহাকপুদি লেপ্পা লৈতনা থিনরি, নৈনরি। মসিসু মহাক্কী মতিক মগুণনা ওইহল্লকপনি। লোয়নবী রাজকুমারী খোমদোনসনাগী মরমদসু সেপ্টেম্বর থাদদি খবরনচিংবদা মরক মরক্তা ইনরকপা থেংনজে। ফোংনরকপা পাউদমশিং অদুদা অরানবা রোকার্ড খরসু থেংনজখি। অদুগা অমুক, ইরাবতকী পুন্সিদা খোমদোনসনাগী খুদোল (কন্ট্রিবিউসন) সু য়ান্না চাউই। মরম অদুনা ইরাবত অমদি খোমদোনসনাগী লন্নাইগী ওইবা পুন্সিগী মতাংদা ইশানা থেংনজহৌবা অমদি অহল লম্মনশিংদগী তাজহৌবা থৌদোক মচা মচাশিং খোমজিনজরগা খোমদোনসনাগী পুন্সি অমা শাগৎচরগা পাউদমজবনি। মপুঙ ফাবা পাউদমসু নৎচদে। অখণ্ড–অহৈশিংনা হেন্না থিজিনবিদুনা মপুঙ ফাবা পাউদম পিবিনবা ৱাহৌদোকনি হায়না খনবিয়ু।

রাজকুমারী খোমদোনসনাগী হৌরকফমঃ

রাজকুমারী খোমদোনসনা, চূড়াচান্দ মহারাজগী ময়াঙ্গুংতোন, হৈনৌমখোংতাবা হায়রগসু খঙনবা, রাজকুমার চন্দ্রহাস সিংহগী মজাইবেম্মা অহলনি। মমা ইবেম্মগী মিংনা খুরাইজম নিঙোল ইবেমচা কৌই। লৈফমনা শগোলবন্দদগী তেরা ফাউবদা তারিবা খুরাইজম শাগৈনা লৈরিবা মফমসিনি।

রাজকুমারী খোমদোনসনাগী অপোকপী খুরাইজম নিঙোল ইবেমচা, সনখ্যাতোন কোল্লুপতা খুরাইজাম্বী হায়না মিঙ্গৌনৈ। শাবান মূর্ত্তি ৱাংলপ তৌরগা রাশি লৈবীনি। খুরাইজাম্বী ইবেমচাগী হৈ–শিংবা মতৌনা, মনেম ইবেম্মা নিংথৌ পোকপী নুমিৎ লৈমনা (ললিত মঞ্জুরি) লুনা চান্না তৌই, ৱাতানফম ওই। কোনুংগী থৌদোক–ৱাথোক অয়াম্বা খুরাইজাম্বীনা শিল্পী। থবক–থৌরম খুদিং চেকশিন্না মচু তানা শিনবা হৈবনা, মনাও ইবুঙো চূড়াচান্দ মহারাজনসু য়ান্না লুনা তৌবী।

খুরাইজাম্বী ইবেমচাগী য়ুম্বান পুন্সিসু নুঙায়বা পুন্সি ওইখিদে। মপুরোইবা রাজকুমার চন্দ্রহাস মচা পিশকশিংদু হুন্দোকলল্লগা তাইবংপাল থাদোকখি। অদুনা মনেম ইবেম্মা নিংথৌপোকপী নুমিৎ লৈমনা মশুশিংবু চেকশিন্না শেন্নবিখি। খুরাইজাম্বীনা কন্না হকচাং ঈরক্লবা মতমদা, মচানূপী অহল খোমদোনগীদমক য়ান্না ৱাজখি। মম্মাক ইবুঙো ইরাবতসু শিলেট জেলদা লৈবা মতমনি। শিরমদাইগী মতমদা ইরাবতপু উন্ননিংই হায়না কন্না শোনবদগী, অয়াবা (পারমিসন) লৌদুনা শিলেট জেলদগী ইরাবতপু মণিপুরদা থোকলকপা য়াহনখি। মতমদুদা খোমদোনসনানা থাজদনা মমাগী অনিংবা অদু থুংবদুদা কয়দা হরাওজরমগদবা? ইরাবত মনেম ইবেম্মা উন্নরম্লগা, মিয়াৎকী মতম লোয়দ্রিবনা শিলেটতা অমুক হনখি। খরা লৈরগা খুরাইজাম্বী তাইবংপাল থাদোকখরে। মজাইবেম্মা খোমদোনসনাদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা পোৎলুম অমা অমুক থাঙ্গৎপিরমলে। মীওইবগী পুন্সিদা অৱাবদি হৌনদুনা লাকই হায়বসি মহাক্কী পুন্সিদা থোক্লরে।

রা.কু. খোমদোনসনা নিংথৌকোন্দা পোকপনা, কেথোক মৌথোকনা, চানিংবতা চা, শেৎনিংবদা শেৎতুনা চাউরকখিবীনি। অদুবু লৌশিং চাউবী মমাইবেম্মনিনা, মচা নিঙোলশিংবু নূপী অমা ওইবগী শিনফম ফিশা–লোনশা, লোনবা খোৎপা শুনা তন্বী। পূন্নমক অসিনা মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা অঙকপা ফংনা কান্নবা ফংহনখি। ইরাবতনা ১৯৩৯ দা সদর পঞ্চায়েটকী ফম থাদোক্লবা মতুংদগী অমুক ১৯৪৮ দগী মীরোৎ ওইনা লৈখিবদগী খোমদোনসনাগী অৱাবদি করি অমুক হায়রুগনি চারা কয়ানি হেনখিবা। মতমদুদা ইমুংগী শিজিন্নবা ফনেক ফিরোল, কাংখলনচিংবা, মনাওনূপী থানিলসনাগা লোয়ননা ইয়োংদা শাবা ঙাক্তনি। শিনফমঅমা শুরিবনিনা অৱাবা ৱাখলবুসু ঙৈহাক কাউথোকহনবদা মতেং ওইজখি। লৈকায়গী য়ূমলোন কৈরোন্নবদা কোইথোক্তুনা ৱারী ৱাতাই শাবসু কয়া তৌগন্দে। মিৎসু ঙৌদোং লাক্তুনা উবগী শক্তি শোল্লকপদগী ফিরোল শাবনচিংবসু থাদোকখি। খোমদোনসনা, মাঙ্গোলদা করিদা, মোরা অমা থারগা মতোমতা তুমিন্না ফমদুনা য়ান্না লৈগল্লি। মসি মহাক্কী পোৎথাবগী মতাংনি।

মপুরোইবা ইরাবত থেংনরুবদগীরা নৎত্রগা মশাগীরা, নিংথৌমচানূপী অমা ওইবগী ৱাঙাং–শাঙাং ঙমবা, নাপল, অচাউরম কাবা, শন্না হায়জরবদা চাউথোকপা অমত্তা য়াউদে। য়ান্না চম্মী। করিগুম্বা থৌদোক–ৱাথোক, দেব–কর্ম্ম লেঙবদা, থায়নগী লৈমসিজশিং, মজাইবেম্মশিংগীদমক, মাঙদা ফিরাংজি ফিদা থাদুনা থম্বদা, খোমদোনসনাদি ফিরাংজিদা ফম্মু য়াগন্দে, মীয়াম মরক্তা অদুম লেঙশিনগনি। ৱাহৈ খোনফম নুংশি, মী খোল্লি। শাউগন্দবসিসু মাগী মগুণ অমনি হায়নৈ।

নিংথৌকোনগী নূপীশিংদি, ফিরোল শেৎ–চাবদা য়ান্না চেকশিন্না মচু তানা শেৎ–চাই। অয়ুক–নুংদাংগী শিজিন্নবা ফিরোল ফাউবা য়ান্না তরু–তনান্না শিজিন্নৈ। ৱাফম অসি পনজরুবগী মরমদি খোমদোনসনাগী লোয়রমদাই পুন্সিগী ৱারবা মতমদা ফাউবা, ফনেক–ইন্নফি, কয়া মচু তানা নান্ন শেৎ–চাখিবা। নোংমগী চারা ফাউবা চানিঙাই লৈত্রবা মতমদুদা, কদাইদগী, করন্না শু–চামখিবা। মিৎতা উরকখি য়েন্দেম ইরোনবা, আলু ইরোনবা মচুগী ফনেক, ফি–মতু য়াওদ্রবা উরৈরোম শঙবা খুঁদে মতেক।

ইরাবত অমদি খোমদোনসনাগী য়ুম্বাল পুন্সিঃ

ইরাবত অমদি খোমদোনসনাগী য়ুম্বাল পুন্সিদি নুঙায়বা য়ুম্বালনি হায়না মশক খঙলকখি। অদুনা ময়াম্বুংতোন চন্দ্রহাসকী মজাইবেম্মা খোমদোনসনাবু ইরাবততা থাজদুনা অওং–অউন চাউনা তমদুনা লুহোংখি। হায়নবা লৈ–ইরাবত অমদি খোমদোনসনা লুহোংদ্রিঙৈদা মখোয় অনিসু হান্না মশা মশানা খঙনদুনা কোনুংগী য়োকচবী অমগী ইমুংদা ফাউবা ৱারী শানখি। (এম. কে. বিনোদিনি) ঙক্লিবনা অমুক, ইরাবতকী পার্সোনেলিটিনরা নৎত্রগা লোয়নবী খোমদোনসনানা মপুরোইববু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবনরা, মতোন ইবুংঙো চূড়াচান্দ মহারাজগী মায়োক্তা মপুরোইবনা লেপখিবদা মহাক্লা অয়েৎপা, অথিংবা অমত্তা পিখিদে। মপুরোইবগী অপাম–পামদা করিনো চপ চানা খঙবীনি।

মরক মরক্তা লৈকায়গী, মরী–মতাশিংগী দেব–কর্ম্ম, কুম্মৈ ফিয়োংনচিংবা চৎপদা, ইরাবত খোমদোনসনা পূন্না পূন্না চৎমিন্নৈ। মখোয় অনী লাক্কনি হায়রবদি মীনা ফিঙৌ ফৌনা য়েংনৈ। অসুন্না ইরাবত খোমদোনসনা য়ান্না পূকচেল খোয়জেল তিন্নবা য়ুম্বানবগী লম্বীদা খোঙদামিন্নরবসু, মমিত্তদি মচা অমত্তা উবা ফংজখিদে। অদুনা মহাক্কা হেক থংনবা মনাওনূপী, অয়েকপম লক্ষ্মণ সিংহগী লোয়নবী অয়েকপম ওংবী রাজকুমারী লৈরেনসনাগী (সনায়াইমা) মচা–নূপা অহল অয়েকপম গৌরকিশ্বরবু মচা শক্লা য়ান্না পিক্লিঙৈদগী য়োকচখি। অয়েকপম ওংবী লৈরেনসনা মচিন–মনাও নূপী মরিগী মনুংদা ফজবদা শিংথানৈ। কনানা হায়, লূম লূম লাউরদনা খোমদোন্না হেল্লি, কনানা হায় লৈরেনসনানা ইহেন হেল্লি। অদুবু খোমদোনসনানা মগুণ লৈনা ফজবা হেল্লি হায়নৈ।

গৌরকিশ্বর য়োকখিবাঃ

থায়নদি লৈনরিবা য়ুমদা অঙাং পোকপসি, য়ুম অদু মাঙই হায়দুনা য়ুমদুদা অঙাং পোক্লরমদবগী চৎনবী লৈরম্মী। 'ৱাঙ্গোলশঙ' হায়দুনা তোঙান্না অঙাং পোকফম ওইনবা য়ুম শাদুনা থন্নে। চাবোকপীদু ৱাঙ্গোলশঙ অদুদা নুমিৎ ১২ নি হায়বদি য়ুম শেংদ্রিবফাওবা কনাগসু শোক্ল–শন্নদনা লৈগদৌরিবনি। লৈরেনসনানা মচা নূপা পোকপগী (গৌরকিশ্বর) ষষ্ঠি পুজা নুমিত্তা, ৱাঙ্গোলশঙ অদুদা, মাগী অউন–নাই (মেইড সারভেন্ট) ককচীং চাউবীনা ফনা কন্না থিংজবদু তাবিদনা, মায়–মীৎ তাথোক্তুনা, শমজেৎ হাত্তুনা কেরুবদগী, ঈ লাইহৌ হৌদুনা কন্না নাখি। অবোক ইবেম্মা সনখ্যা মচাগী তোম্বীমচানা লীবিবদা –– "নবেনদো কয়া কন্না নাবগে হায়ববু, মশাদু হুইমুক্তা শাংনা তেনশিনবমখে লাইহৌ হৌদুনা নাবনি।" ইরাবত অমদি খোমদোনসনাগী মচা লৈজদবনে, মনাও নূপী লৈরেনসনানগা কন্না নাবনে, মচা নূপা অহল ওইরবসু অয়েকপম গৌরকিশ্বরবু মচা ওইনা য়োক্তুনা, হিজম গৌরকিশ্বর হায়না য়ুন্নাক ফাউবা ওনখি। য়াইস্কুল জন্মস্থানগী ইরাবতকী য়ুমদা, লুগুণ থাংবগী কর্ম্ম চাউনা পাংথোকখি।

File Photo of Hijam Irabot and his wife RK Khomdonsana :: (Courtesy)- Kangla Facebook Group

গৌরকিশ্বর, ইরাবতনা সদর পঞ্চায়েৎকী মেম্বর ওইরিঙৈদদি চানিংবতা চা, শেৎনিংবতা শেৎ য়ান্না কেথোক মৌথোক্লা হৌরকই। কৈশামপাৎতগী থিয়াম অমুমচা কৌবী, মতমদুগী ঈশৈদা মমিঙ লৈবী শৈশকপী অমা চেল্লকতুনা, ইরাবত অমদি খোমদোনসনানা লুহোংই। মচা নূপী অমা পোকই মমৌনূপী অমুমচা, মনেম খোমদোনসনাগী অৱা–অনাদা শরুক য়াজরকপীনি। ইরাবতকী য়ুমগী মমাংদা, অৱাংদনা শামোম লৈ, মখারোমনা পুখ্রম্বমগী ইমুংনি। শামোমগী অবোক তোম্বীনা লিবিরম্মী– "ইরাবত চাক –চাবা তোক্লগা ফমুংদা ঙহাক পোৎথাবসি, য়ুমদা লৈবা মতমদদি অদুম তৌই। মমৌনূপী অমুমচানা মকুগী ফমুংগী সাইড টেবলদা লানা তাঙ্গোয় য়াৎলগা ঈশিং গ্লাস অমগা হৈ খরগা থম্বসি তত্তনা তৌজবা মাগী মথৌ অমনি। নোংমদি হৈ অমত্তা লৈতদুনা শামোমদা হংবা চৎলি। নুমিত্তু শামোমদসু হৈ অমত্তা লৈরমদদুনা, হৈক্রু পৎলি পৎলি তৌবা খরা, তাঙ্গাদা হাপ্লগা থমজখি। হৈক্রুদো করিমত্তা হায়দনা ইরাবতনা চাখি হায়।

খোমদোনসনাগী অরোইবা পুন্সি তাংককঃ

ইরাবততি মাগী ৱাখল, পাঙ্গল শক্তি পূন্নমক মীয়ামগী থবক্তা কৎথোক্লবা মীশক অমা ওইখিবনা য়ুমগী ৱাখল কয়া চঙদে। মহাক্কী অইবা চে–চাং, হৌজিক্তা খন্থরুরগা কপনিংলকখি–ঐহাক্লা য়ুমদা লৈতবা মতমদা মহাক্লা লাক্লম্লবদি, কয়াদা নিংবা কায়না হল্লমগদবা? নুমিৎ অদু মহাক চারা হেল্লমগদরা? মতমদুদদি ঐদি অঙাংনিনা, মাগী অৱাবা–নুংঙায়তবা থোয়না খঙলুবা নত্তে, নুঙায়বতনি অঙাং ঐখোয়না খঙখিবা। হৌজিক্তা ওম্হোক্লা নিঙমলক্তে।

মনাও নূপী লৈরেনসনা অমদি মপুরোইবা অয়েকপম লক্ষ্মণনা অয়েকপমলোমদা লৈরসি, সেবা তৌজগে হায়না য়ান্না হায়জবনি। অদুবু খোমদোনসনানা, মনাওনূপী থানিনস্না অমদি য়োকচবী রুহিনীসু য়াওবনে অদুগী মথক্তা য়ুম ইংখোলদু থাদোকনিংদবদগী জন্মস্থানদা অদুম লৈখি। খোমদোনসনানা লৈখিদ্রবা মতুংদা, মনাও নূপী থানিনস্নানা অমুক য়ুম ইংখোলদু থাদোকনিংদবদগী জন্মস্থানদা অদুম লৈখি। খোমদোনসনানা লৈখিদ্রবা মতুংদা, মনাও নূপী থানিনসনানা অমুক য়ুম পুখি। য়োকচবী রুহিনীসু ময়ুম পাল্লে অদুবু নূপা ময়ুমদগী লাক্তুনা জন্মস্থানদা য়াওং ইন্দুনা লৈখি। অয়োকপা গৌরকিশ্বরগীদি, অয়েকপমলোমদসু ইংখোল চাউনা লৈবনা, রুহিনীদা ইংখোল অদু পিদুনা হৌজিক মচাশিংগা লৈরি। ইংখোলসি হৌজিক মমিংতা ঙায়রে ফনা য়ান্না য়োনখরে। ঐখোয় মণিপুরী হায়বা জাতিসে মী থানদবা, অমনা কাখৎখিবদা অমনা চিংথনবা হোৎনবা মীওই কাংলূপনি। অদুনা ইরাবতকী অশেংবা মশক খঙনখিদে। মতম য়ান্না চঙখি।

ডাইরিগুম্বদা ফাউবা, ইমুং মনুংগী ৱা য়াউদে, লোয়নবী খোমদোনসনাগী মিং থেংনদে। অবোকশিবু নুংশিজবনা ৱারৌখি ইথৌ ইরাবতপু। অদুবু ঙসিসু ঙক্লা ইথন্তা হংজরি–করম্বা মীতানোনে? "ঙসিদি উত্তি থোংবদুম চাথোকসি। উত্তি অশংবসু য়াই নৎত্রগা শগোলহৱাইগা পানগা হেক্তা থোংঙউ, মোরোক অমা মেৎলগা চাশি, হাওবনি"। ইরাবত শগোলহৱাইগা পানগা উত্তি থোংবসু য়ান্না পাম্মী হায়। ঐনসু ইথৌ উত্তি চাবা হায়না কৌই।

ইরাবতনা দরবার মেম্বর ওইরিঙৈগী মতম ফাউবদি খোমদোনসনা ইমুং পুবগী অৱাবা চৈথেং খঙলমদে। ফম থাদোক্লবা মতুংদগীদি খোমদোনসনাগী মথৌনা মরিংজেল ঈশ্বরনা চাংয়েং তৌবগুম থোকখ্রে। নূপা নূপী শক্লা য়ুম পুবগী দায়িত্ব লৌখি। খোমদোনসনা মনাও নূপী থানিনস্না অমদি মিংশেলয়েংবীগী (অউননাই) মচানূপী কেতুকীনা পোকপী য়োকচবী রুহিনী কোন্দুনা জন্মস্থানগী য়ুম ইংখোল শঙদুনা লৈখি। য়োকচবী রুহিনী খোমদোনসনাগী ৱারবা মতমগী চৈশুগুম্বনি। মমাশি ইবেম্মগী অৱা–অনা কয়াদা শরুক য়াজরকপীনি। মমামক্লি খন্না নুংশিনা সেবা তৌখি। অৱাং–অপা, লৈত–লায়র, তাথোক তাশিন তৌনজৈ। খোমদোনসনাগী ইমুং–মনুংগী ৱারীদা, রুহিনীবু হুন্দোক্লম্বসু অচুম্বা ওইরোই।

খোমদোনসনা নুঙায়না অৱাংপা অমত্তা লৈতনা হৌজরক্লবসু অরোইবা পুন্সিদি মপুরোইবা

ইরবতকী লোইনবী রা. কু. খোমদোনসনা

কায়নবগী, মচা–মশু শেৎনবগী মৈচাক্তা নত্তনা লৈত–লায়রনা লাঙ্গোই চনখি, কোল্লিক্লচিংবা ইকায় ইকায়, তুমিন তুমিন্না লৈকায়দা, য়োকচবী রুহিনীবু য়োম্হোকহল্লি। মনাও–নূপী লৈরেনগী য়ুমদদি য়ান্না তোয়না লাকই। লাকপা মতমদা ইংখোলদা পানবা হৈরাশিং খাউ অমদা পুরক্কনি। য়াইস্কুললোমদগী অমুক চেং–চাক, ইঞ্জাং নাপীনচিংবা অরৈবা খরা হাপকনি।

অবোকশিনা য়াইস্কুলদা লাক্লগা, লৈত লায়র হংলবসি তোয়রক্লবনিনা য়ান্না হঙ্গোইজরম্মী। মহাক্লা হঙ্গোয়জদবা হায়ববু ঐ তনি (কমলা)। ইন্দোল অনিসু লৈরবনিনা হান্নগুম্নদি তোয়না লাকখিদ্রে।

রাজকুমারী খোমদোনসনানা শেমজিনবিদ্রবা উগী দলান অদুদনি মহাক্লা তাইবংপাল থাদোকখিবা। মতমদু ইমুংগী ফিভম য়ান্না চাদবা মতম ওইরমাল্লে। জন্মস্থানদা সংস্কার তৌরবসু, অষ্টি নুমিত্তগীদি য়াইস্কুল অয়েকপমলোমদা পুরক্লগা, মহারানী ধনমঞ্জুরী (ঙাংবী মহারানী)না কৎপা ব্রহ্মাময়ুমগী মাঙবরা লোইশিল্লি। লম্বোইখিদে। অয়েকপম লক্ষ্মণনা মচে ইবেম্মা খোমদোনসনাগী শ্রাদ্ধ কর্ম্ম অয়েকপমদা য়ান্না নিংথিনা পাংথোকখি। শ্রাদ্ধ নুমিৎ খরা ৱাৎলিঙৈদা পাউ লাকখি–মী খরা য়ান্না লাক্কদৌরি, চান–থক্লবদু খরা হেন্না লাঙবিরম্মু। মতম অদুৱাইদা শ্রাদ্ধগী চানবসি ফোলা য়ান্না তৌনরম্মী। চাকলুক লা ফজনা থারগা, কবোক, চেংপাক, লফোই, শঙ্গোম, চূহীনচিংবা হাপ্পা লোয়রগা, ইশানা তোৎলগা চানরম্মী। অবোকশী খোমদোনসনাগীসু ফোলা তৌই। ঙসিসু মীৎতা উরি–য়াইস্কুল পুলিসলেনগী লমলোং অহুম ফাংবসিদা, ফিরাল অঙাংবা পায়বা অঙাং নূপা–নূপী কয়ানা পরেং লেংলগা লাকখিবা। য়ামখ্রবা মীয়ামনি নুমিত্তুদা তিল্লখিবা। অচা–অথকতুবু কোন্নরমগদ্রা? শোয়দনা ৱাজরমগনি অয়েকপম লক্ষণ অমদি মচা নূপা গৌরকিশ্বর।

খোমদোনসনানা হিংলিঙৈদা, মপুরোইবগী চে–চাং পোৎচৈ পূন্নমক চেকশিন্না থমজবগী খুদম ফংজে। পোৎ–চৈ পূন্নমক ফোংনা থম্বা য়াদবা, য়ান্নসু কিনবা মতমনি। লোন্না থুপ্পা থবক পূন্নমক পাঙথোকনৈ। পার্টিগী থবক তৌজবা মীওইশিং কম্যুনিষ্টনি হায়দুনা কোয়তান তান্নদুনা ফাবা পুনবা মতমনি। লোয়নবী খোমদোনসনানা লৈখিদ্রবা মতুংদগী ইরাবতকী পোৎচৈশিং অয়েকপমলোমদা লোয়না পুরকখি। পোৎচৈশিং অদু চে–চাংনা অয়াম্বনি। বোরা অনি–অহুম ওইগনি। অয়েকপমলোমগী অহল লম্মনশিংনা, ইরাবতকী চে–চাং ময়ামসি অসুম থল্লবদি অফবা ওইরোই অদুনা লোইনা মৈ থাদোক্লসি হায়না লেপ্লখি। থাসু থাখি। ইরাবতনা নিংথৌগী মায়োক্তা লৈরকপদগী ফম থাদোকখ্রবসু, ঐগী ইথৌ অহল কোনুংগী কেরানী ওইরি। অয়েকপম অঙ্গো কেরানী হায়না খঙনৈ। (অইবা অয়েকপম শ্যামসুন্দরগী অপোকপা) ইথৌ অহলগী (অঙ্গো) মনাও নূপাশিং অয়েকপম প্রতাপ, লক্ষণ অমদি গৌরবিধুনা চিংবসু লোয়না ইরাবতপু সপ্পোর্ট তৌবা ঙাক্তনি। ইরাবতকী পার্টিগী মিটিংগী চে–চাংশিংদা, অয়েকপমগী ইথৌশিংগী মমিং মথা, সহিনচিংবা য়াওবা থেংনজৈ। মসিনসু মৈ থাখিবগী মরমশিংগী মনুংদা অমসু ওইবা য়াই।

পোৎ চৈশিং অদু মৈ থাদোক্ত্রিঙৈদা চে শিংদু ফাক ফাকতুনা হাইফেৎ য়েংখি। খল্লকই মদুবু ঈশ্বরনকা ইনশিনলকলিবরা? বোরাদু ফাক্তুনা য়েংলমদ্রবদি, ঙসি ঐখোয়না উরিবা লাইরিক–লাইশুশিং উৎ ওল্লমলগনি। য়ামখ্রবা চে–চাংনি ফজনা হাপ্লকপসু নত্তবা চে অয়াম্বা মিটিং তৌবগী রিজোলুসন, ময়ামগী সহি তৌবা অমদি চিঠি খরনি। চিঠি ময়ামদুগী মরক্তা নিঙশিংবা অমনা, আসামগী লুচিংবা অমনা ইরাবততা ইরকপা চিঠিনি। বাংলা লোন্দা ই, খুৎইদু ওম্হোক্লা ফজখরে। মদু গোপীনাথ বড়দোলোই ওইগদরা হায়না খল্লি। বেঙ্গলগী পার্টিগী মীওইশিংনা ইরকপা চিঠিসু য়াওই। মেডল, ষ্টেথেস্কোপ, হিদাক–লাংথক, সিরিঞ্জ, ডিষ্টিল ৱাটরগী বোক্সশিং, নেক টাই, কোট অমদি ফিরোল খরনি। থমজিনহৌবা পোৎচৈশিং অদুদগী হৌজিক ফাউবা থিবা ফংদ্রবা শৈরেংগী বই অমদি মিৎতা অসুম উদুনা লৈরি। এক্সরসাইজ বুক অমদা অহানবা লমায়দগী লোইবা ফাউবদা শিলেট শৈরেংগী বই অমদি মীৎতা অসুম উদুনা লৈরি। এক্সরসাইজ বুক অমদা অহানবা লমায়দগী লোইবা ফাউবদা শিলেট জেলদা লৈরিঙৈদা, জেল মনুংদা ইখিবা শৈরেংনি। বাংলা লোন্দা ই। মকোক ৱাইগী খরা পাহৌবদা, জেল মনুংদা পিরিবা চাক–ইঞ্জাংগী মরমদা ওইনা তৌই। "মপঙ য়াউদবা হৱাই মহীনা ইরুজবা য়ারে। ইলিশা মাছকী মহাউ কাউনখিবা কুইরে…।" নচিংবা অরোইবা লমায়দনা–অসামগী লম্বী থোং, লম–মমিংনচিংবা য়াওবা মানচিত্র (মেপ) অমা কলন্না ফজনা য়েকই। উহৌদ্রবদি নুঙায়তবসু তৌরম্লোই, অদুবু উহৌবনিনা, কয়াদা নিঙমখিদ্রবা, কয়াদা পাম্মুখ্রবা। ঐগী পাবুংগী মনাও, অয়েকপম বনবিহারিগী মচানূপী, ইনাও নূপী সঙ্গীতানা পাবুং ছত্রধারীদা, জয়মতী, কৃষ্ণকান্তগী উইল অমদি 'ইমাগী পুজা' পিবদগী 'ইমাগী পুজা' ফোংখি। অদুবু মেনুস্ক্রপ্টশিংদু হৌজিক কনাগী মখুত্তা লৈরিবনো হায়বসি খঙজদ্রে।

ইরাবতকী পুন্সিদি তুহৎপিরবা, তোল্ল–তারবা থৱায়শিংগীদমক কৎথোক্লবা পুন্সিনি। লোয়নবী খোমদোনসনানা মতোন ইবুঙো চূড়াচান্দ মহারাজগী মায়োক্তা মপুরোইবনা লেপখিবদা, অয়েৎপা, অথিংবা অমত্তা পিখিদে। মপুরোইবগী অপাম্বা লম্বীদা অমত্তা ওইনা খোঙ থাংজিনমিন্নখি। নুঙায়না হৌজরকপী খোমদোনসনা পোলোইদি অসুক্কী মতিক ৱাখি, ৱাহৈনা ফোংদোকপদগী মাগী অৱাবনা শরুক চাম্ম চাম্ম হেনগনি। লাইরিক –লাইশু হৈহৌদ্রবসু মপুরোইববু ফিজিকেললি, মেন্টেলি সপ্পোর্ট তৌখি। হায়নবসু লৈ–Behind every great man, there is a womam. খোমদোনসনাগী নূপী ওইবীগী অখাঙকনবগী গুণ তমজনিঙাইনি। ঈশ্বরমক্লা থাবিরকপা অশেংবা, থৱায় অনীনি–ইরাবত অমদি খোমদোনসনা। **"অরোইবদা অমুকসু হায়জরি–জননেতা ইরাবতকী পুন্সিদা খোমদোনসনাগী খুদোল অখণ্ড–অহৈশিংনা নৈনবিয়ু, থিজিনবিয়ু। রা. কু. খোমদোনসনাগী নুমিৎ অমা ময়ান্না লেপ্পিরগা হৈকৎ লৈকৎ তম্বিরবদি হৌরক্লিবা তুংগী চনুরাশিংনা শোয়দনা খোঙ্গুল লীরক্কনি, থিরক্কনি।"**

(ৱারেং অসি জননেতা হিজম ইরাবত মেমোরিয়েল চেরিটেবল এক্টনা শিন্দুনা ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা সেমিনার অমদা লময়ানবা ইরাবত কী মশুনূপী অয়েকপম কমলানা পুথোকখিবা পেপর অমদগী শমজিঞ্জরগা ফোঙদোকচবনি।)